HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

নিটি আয়োগকী অতল ইনোভেসন মিসনগী মখাদা অতল টিঙ্করিং লেবোরেটরি অমা পদ্ম রত্না ইংলিশ স্কুল ককচীংদা হাংদোকখিবগী থৌরম


লামায় ১

আইদিয়ল য়ুথ ক্লবকী মপোক কুমওন থৌরমদা পাম্বোম নাম্মা অমদি খোঙ নাম্মনা মিনট অমদা পুশঅপ ৩৬রক তৌবা ঙমদুনা গিনিস ৱর্ল্ড রেকোর্দ চনখ্রবা টি ঐচ নিরঞ্জয় তরাম্না ওকখিবা


লামায় ৩

ইনাওবী হুইরেম্বমনা ইবা *কামধেনু* অমসুং জিবন মোইরাংথেমনা ইবা *পূন্সি* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অনী প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন, মণিপুরগী ওফিসতা ফোঙখিবা


লামায় ১

মচা ইবেম্মা ট্রষ্ট নিংথৌখোংনা শিল্লগা নবেম্বর ১০দা পাঙথোকখিবা অনীরক শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল টেলেন্ট হন্টকী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম


লামায় ৫

Vol. 43, Issue No.270 | নোংমাইজিং, ৱাকচিংগী হুম্নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Sunday, December 29, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## *কামধেনু* অমসুং *পূন্সি* মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক ২ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(ঐচ এন এস): ইনাওবী হুইরেম্বমনা ইবা *কামধেনু* অমসুং জিবন মোইরাংথেমনা ইবা *পূন্সি* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অনী ইরাবত ভবনদা লৈবা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন, মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি ফোঙখ্রে।

লাইরিক অনী ফোঙবগী থৌরম অদু প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লাইমুজম রামেশচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি ফোঙখিবা শৈরেং লাইরিকশিং অদুগী মরমদা দোনেশ্বর কোন্সম অমসুং ইবোসনা খুমননা ৱা ঙাঙখি।

## অতল টিঙ্করিং লেব হাংদোকখ্রে

ককচিং, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): নেসনল ইন্সটিটুট ফোর ট্রান্সফোর্মিং (নিটি) অয়োগকী অতল ইনোভেসন মিসন (এ আই এম) স্কিমগী মখাদা 'অটল টিঙ্করিং লেবোরেটোরি (এ টি এল)' অমা ককচিং পঞ্চাও পাল্লুমদা লৈবা পদ্ম রত্না ইংলিশ স্কুলদা হাংদোকখ্রে।

ইদুলাইফ ইন্দিয়া, বেঙ্গলোরগা পি আর ইংলিশ স্কুল ককচিং অনীনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ককচীংগী দি সী ভেলেন্তিনা অরাম্বম্না অথোয়বা মীথুং, পি আর

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## কা হেন্না ঈংবদগী য়ু পিদা মীওই ২৮ শিরে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা কা হেন্না ঈংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবগা লোয়ননা উট্টর প্রদেশতা মীওই ২৮ ঈংবদগী শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা ওফিসল ওইনা অশিবা মীগী মশীং চপ চানা ফোঙদোরক্রবসু এজেন্সীগী পাউনা হায়, কানপুরদা মীওই ১০, বরানসিদা মীওই ৪, মাহোবাদা মীওই ৪, স্রবষ্টিদা মীওই ২, বন্দাদা মীওই ২, মেনপুরিদা মীওই ২ অমসুং লখনৌদা মীওই ১ শিরে হায়রি। মখা লামায় ৩ কলম ৬

### হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসতা থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী রিপোর্ট

# ফোরেষ্ট চ্যেক পোষ্টশিংনা ট্রকশিংদগী শেল লৌরে : টি আর সী সী

**মাইবম ধনবির**

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী অপূনবা এসেমব্লী সেগমেন্ট ৬০ গী মনুংদা ৬কী মীওই লাখ ১.৫ রোমগী হিংনবগী পাম্বৈ ওইরিবা অমসুং ষ্টেট অসিগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চেনবা মরু ওইবা তুরেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা থৌবাল তুরেলগী মহৌশাগী ফীভম অমসুং শক্তম কন্নবগীদমক তুরেল অসিগী খোংনুংদগী ইলিগেল ওইনা মেকানাইজ সেন্দ মাইনিং তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি, মণিপুরগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকখ্রে। দি সী অমসুং এস পিনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং অমত্তা লৌখৎত্রে লোয়ননা ফোরেষ্ট চেক পোষ্টশিংনা ট্রকশিংদগী শেল লৌরে হায়নসু ৱাকৎলক্লে।

থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটি (টি আর সী সী) অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন ৩৫গী অপূনবা এপেক্স বোদিনি। কম্মিটি অসিগী হেদ ওফিসনা



থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈরিবনি।

কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন এ কে বিশ্বজিৎনা হৌখিবা জন্যুৱারী ২৪ দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বর শর্ম্মগী খুথাংদা চীফ জষ্টিস রমালিঙ্গম সুধাকরদা অইবা ৱাকৎ অমা অহানবা ওইনা পীশিল্লকখিবনি। ৱাকৎ অদুদা থৌবাল তুরেলনা হিংনবগী পাম্বৈশিং পীরিবা এসেমব্লী সেগমেন্টশিং অদুদি অন্দ্রো, ৱাংখেম, লিলোং, হৈরোক, থৌবাল অমসুং ৱাবগাইগী শরুক খরনি। অদুবু তুরেল অসিগী খোংনুং পরেংদা ইলিগেল ওইনা নুঙ অমসুং লৈঙোই মেকানাইজ মাইনিং লেপ্তুনা তৌশিল্লকপনা তুরেল অসিগী মহৌশাগী ফীভম অমসুং শক্তম কায়হল্লকপদগী ঈশিংগী ফীভম খুদোংথিনিংঙাই

...মখা লামায় ৩ কলম ২

### বি জে পিনা শীন্দুনা সী এ এগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা খাঙবোক্তা খোঙচৎ চৎখ্রে

# বিরেন : লান্না তমশিল্লগা ইনশিন্দুনা ঈরাং শাগৎলিবা অসিদা মীয়াম্না য়াওবীগনু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(ঐচ এন এস): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) ২০১৯গী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্ননবা কেম্প্যেন জন জাগরনগী খোঙচৎ চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা খাঙবোক্কী অকোয়বদা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদু চৎলবা তুংদা খাঙবোক বাসু গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, সী এ এ অসি কনাগুম্বা কাঙলূপ-ফুরুপ, লাইনীং-লাইশোলদা পান্দম থমদুনা চৎনহনগদবা নত্তে। মাইনোরিটি মুস্লিমশিংবু ইন্দিয়াদগী তান্থোক্নবা এক্টনি হায়না লান্না তমশিল্লিবশিং অসি থাজবীগনু। মীয়ামদা ৱা ঙাঙদ্রিঙৈদো সী এ এ করিনো হায়বদু হান্না ফজনা মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবীয়ু। সী এ এগী মতাংদা কনাগুম্বা খরনা মরুওইনা কোংগ্রেস পার্টিনা লান্না তমশিন্দুনা ঈরাং শাগৎলিবা অসিদা মীয়াম্না য়াওবীগনু। সী এ এগী মতাংদদি ঐখোয়না করিসু হায়নিংঙাই লৈতে। আই এল পি চৎনরবা ষ্টেটশিংদা সী এ এ চৎনরোই হায়বসি




হান্ননা লাউথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবা লৈখ্রবনি। এক্ট অসিনা শোকহনগনি হায়না খল্লিবশিংগা দিবেট তৌনসি। ইন্দিয়ন কন্সটিটুসনগী আর্টিকল ১৪ শোকহল্লি হায়রিবা অদুসু অরানবনি। করিগুম্বা আর্টিকল ১৪ খোঙ্গোয়নৈ হায়বগী ৱাফম অমা পুথোকপা ঙল্লবদি ঐখোয় তোকথোক্কে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, আই এল পি অসি মণিপুর মীয়াম্না মতম শাংনদগী তান্দুনা লাকপা দিমান্দ অমনি। দিমান্দ অসি ফংননবা হোৎনবদা মীওই কয়াগী পূন্সি ফাওবা মাঙখ্রবনি। মীশি-মীনা য়াওরবা ফাওবদা দিমান্দ পীবীদনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক মীয়ামগী অপাম্বা, মীয়ামগী খোল্লাউ অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা তাবীদুনা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লকপা অসিগীদমক লুচিংবশিং অসিবু ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# হায় কোর্টনা সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙদা স্পেসল দি পি সী পাঙথোক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী আই সী দি এস স্কিমগী মখাদা লৈরিবা ষ্টেট পি এম এম ভি ৱাই সেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পি এম এম ভি ৱাই সেলগী তোঙান-তোঙানবা পোষ্টশিংদা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক তৌরক্লিবা মীওইশিংনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পিটিসনশিং ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা পিটিস্নরশিং অসিগীদমক অখন্ননা স্পেসল দি পি সী অমা পাঙথোক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্সন অসি ঙরাং ফমখিবা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী কোর্ট নম্বর-২গী ভেকেসন কোর্টনা পীখিবনি।

কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিংনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ১৫৮ ওফ ২০১৯গা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস, রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৩২৭ ওফ ২০১৯, দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর- ৭২৮ ওফ ২০১৯, মিসেলিনস কেস, রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ২৭ ওফ ২০১৯, দব্লিয়ু পি (সী)- নম্বর- ৯৭ ওফ ২০১৯, ১২২ ওফ ২০১৯, ১৩৩ ওফ ২০১৯, ২৬০ ওফ ২০১৯ অমসুং ৩৫৩ ওফ ২০১৯ নি।

কেস ময়াম অসিগী য়াম্লবা পিটিস্নরশিংনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা মখোয় সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সর্ভিসেস (আই সী দি এস)গী অমব্রেলা স্কিমশিং ওইরিবা প্রধান মন্ত্রি মত্রু ভন্দন য়োজনা (পি এম এম ভি ৱাই)গী ষ্টেট অমদি দিষ্ট্রিক্ট সেল, মহিলা শক্তি কেন্দ্র স্কিম (এম এস কে এস) অমসুং পোষান অভিয়াননচিংবা স্কিমশিংদা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক তৌদুনা লাকখিবশিংনি। অদুবু লোয়শঙ অসিনা চৎলিবা কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ১১দা তোঙান-তোঙানবা এদভর্টিজমেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## ঙারি গল্লিদা আই ঈ দি অমা পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থঙ্গাল কৈথেলগী ঙারি গল্লিদা শকখঙদবশিংনা থল্লম্বা আই ঈ দি অমা পোকখায়খ্রে। থৌদোক অদুদা নন মণিপুরী অমা খরা শোকপগা লোয়ননা দুকান অমগী শট্টর খরসু অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৪.৫০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। আই ঈ দি পোকখায়বগী থৌদোক অদু থঙ্গাল কৈথেলগী ঙারি গল্লিদা লৈবা প্রদিপ কুমার রোই কৌবা মীওই অমগী দুকান মমাংদা থোকখিবনি।

মখা লামায় ৩ কলম ৬

# মেরি কোমনা জারিন মায়থীবা পীদুনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংদা শরুক য়ারগনি, সরিতাদি মায়থীহৌরে




ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সি মেরি কোমনা চয়েৎনদুনা লাকখিবা নিখত জারিনবু নেসনল ট্রায়ল বাউটতা পোইন্ট ৯-১দা মায়থীবা পীদুনা কুমজা ২০২০দা জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকী ফেব্রুৱারী থাদা চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারগনি। অমরোমদা লাইশ্রম সরিতা কে জি ৬০গী কাংলুপ্তা সিমরঞ্জিৎ কোরগী মখুৎতা মায়থীদুনা চাইনাগী ওলিম্পিক ক্বালিফয়রদা শরুক য়াবা ঙল্লরোই।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা চাইনাগী ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং বোক্সিং টুর্নামেন্টকী ট্রায়ল সেলেক্সনদা মমাঙদা চয়েৎনদুনা লাকখিবা কেজি ৫১গী কাঙলূপ্তা নিখত জারিনবু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী মণিপুর মচা এম সি মেরি কোমনা ট্রায়ল সেলেক্সনদা য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৯-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

**HL Poll**

Q: Manipur da tilhou gi mamal ka henna wangkhatlakliba asi control tounaba leingakna matik chaba thabak loukhathanningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur gi loufamsingda yum-kei yaona shajilliba-sing ashi famdol-famnaiba kayagi yaoramgani khanbra?

Yes 95% No 05%

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২০ °C খ্বাইদগী ঈংবা ৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৪

**অস! লোইরেহে!**

- খোংনাং ময়ায় লৈকাইনা পীবা হোং কোং এৱার্দ মালহনবীদা পীজরি!




- ঐদি হোং কোং হায়নু য়ু এস এ এৱার্দ ওইনা হায়বীয়ু হায়রগা করিনো?

### মেনপেককী কনভেনর দিলিপকুমার য়ুম্নামচা ফাজিল্লুরে

# 'মীয়ামগী ঈহৌদি নমথবা ঙম্লোই'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): মেনপেককী কনভেনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমার ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা মণিপুর পুলিসকী টিম অমনা নাওরেমথোং শামুশঙদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ফারুরবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা মতমদা থাদোরকখ্রে হায়রি।

লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা, বি জে পিনা দিসেম্বর ২৯দা সী এ এগী মতাংদা রেল্লি চৎকদৌরিবা অসি মীয়ামগী য়েংবীদুনা চৎপীদনবা হায়রুবগীদমক পুলিস কম্মান্দোনা মেনপেককী কনভিনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারবু ঙরাং নুমিদাং ময়ুমদগী ফাদুনা পুখ্রগা পুলিস কষ্টদিদা অহিং অমা দিটেন্দ তৌদুনা থম্লবা মতুং ঙসি অয়ুক থাদোরকখিবা থৌওং অসি য়ানিংদে হায়না মেনপেককী থৌমীশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা দিলিপকুমার য়ুম্নামচানা হায়খি, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইটস মৎপগী থৌওং চথুরকপা অসি কন্দেম তৌই। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন অমদি রাইটশিং মৎপগী থৌওং নোংমা-নোংমগী কনখৎলকপা অসিনা মীয়ামদা নীংহন্নবা পোকহনবদি লায়রদনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লবগী মচাক ওইহল্লি। মেনপেককী কনভিনর ফারগা মীয়ামগী মচীন মেনবা ঙমগদবা নত্তে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# 'মীয়াম পূন্না খঙমিন্নবগী তানফম অদু ওইরক্লে'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮(ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী অশোয়বা ময়াম অসি মীয়াম পূন্না খঙমিন্নবগী তানফম অদু ওইরক্লে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল গভর্ণমেন্ট ইন এগজাইলগী মিনিষ্টর ওফ ফোরেন এফেয়র্স এন্দ দিফেন্সনি হায়জরিবা নারেংবম সমরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়াগী রিপব্লিক কন্সটিটুসন ওফ ইন্দিয়া অসি ইন্দিয়াগী টেরিটোরি মনুং খক্তদা ওপরেট তৌগদবনি হায়না মণিপুর এগজাইল গভর্ণমেন্টকী চীফ মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখ্রে। বৃটিশকী কোলোনি ওইরম্বা ইন্দিয়া (বৃটিশ ইন্দিয়া) গী টেরিটোরি অসি অনী থোক্না খায়দোক্লগা ইন্দিয়া (দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়া) অমসুং পাকিস্টান (দোমিনিয়ন ওফ পাকিস্টান) শেম্লি। ইন্দিয়ন ষ্টেটশিংনা ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এসেসন সাইন তৌরগা দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫গী মতুংদা এক্সিদ তৌবা য়ারে। এক্সিদ তৌরিবা অসি দোমিনিয়নদনি। অদুবু কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬কী মতুংদদি য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া হায়রে মরমদি দোমিনিয়ন অসি ষ্টেট ওইরে। দোমিনিয়ন অসিনা কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬কী মতুংদদি ষ্টেট ওইবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া হায়রে। প্রিন্সলি ষ্টেটশিংনা ইন্দিয়াদা জোইন্ট তৌবা নত্তে, ষ্টেট (ষ্টেট ওফ ইন্দিয়া)দা এক্সিদ তৌবনি হায়বদি গ্রুপ ওফ সোভরেন্ট ষ্টেটস শেম্বনি অদুনা য়ুনিয়ন হায়বনি। য়ুনিয়ন অসি পোলিটিকেল বোদি অমনি। অদুগা ষ্টেটস ওফ দি য়ুনিয়ন হায়বদি য়াই। মরম অসিনা এক্সিদ তৌরুবা ষ্টেটশিং অসি ইন্দিয়াগী টেরিটোরি অমা ওইবা নত্তে। প্রিন্সলি ষ্টেট (ষ্টেট ওফ জম্মু এন্দ কাশ্মির)গী এক্সটর্নেল সোভরেন্টি অসি ষ্টেট (ষ্টেট ওফ ইন্দিয়া)কা শেয়র তৌবনি।

প্রিন্সলি ষ্টেট ৩০০ মুক অসি ষ্টেট (ষ্টেট ওফ ইন্দিয়া)দা এক্সিদ তৌরবা মতুংদা য়ুনিয়ন (য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া) ওইরে। মরম অসিনা ইন্দিয়া অসি ষ্টেট অমনি, য়ুনিয়ন অমনি হায়রিবনি। প্রিন্সলি ষ্টেটশিংনা ইন্সট্রুমেন্ট ওফ এসেসন এগজিক্যুট তৌরগা য়ুনিয়নদা য়াওরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী টেরিটোরি নত্তে, ওইদে হায়না ইন্দিয়া (প্রোভিজনেল কন্সটিটুসন) ওর্দর ১৯৪৭কী সেক্সন ২১৯ (৩)দা ময়েক শেংনা ইরিবা অসিনি। অদুগা এক্সিদিং ষ্টেট ওইনা লৈগনি হায়রিবা অসিনি। কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৪গী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED

PUBLIC APPEAL
GM-II, MSPDCL

পাউগী খুথাংদা খঙহঞ্জখিবা মতুং ইন্না অরিবা due য়াম্না তোন্না-তোন্না অনৌবা Prepaid লৌশিন্দুনা মৈ শীজিন্নরম্বশিংগী মৈ কক্থৎচরে।

1. Khaidem Kanta - 20103498
S/o. (L) Kh. Nehru
2. Thokchom Chaobi Devi - Y0148318
W/o. Th. Dhaneshor
3. Naoroibam Nilakamal - MIP25943
S/o. (L) N. Gopal
4. Naoroibam Bisorjit - MIP73136
S/o. (L) N. Gopal
5. N. Thambou - MIP46938
6. N. Britain - MIP47677
S/o. (L) N. Gopal (old consumer).

MSPDCL গী Consumer শিংনা করিগুম্বা অরিবা Consumer বু নমথদুনা অনৌবা Prepaid লৌশিন্দুনা শীজিন্নবীবা য়াওবীরবদি অথুবা মতমদা ইশা-ইশানা মনাক নকপদা কোনবীরিবা Sub-Division Office, MSPDCL দা চৎপীদুনা খজনা থীদোকপীনবা খঙহঞ্জরি।

*খঙহঞ্জরিবা :*
B. Ibomcha Sharma
GM-II, MSPDCL

HL-B/5925/29

# লৈঙাক্না অরানবা পোলিসী পায়খৎলকপদা য়েংদুনা লৈরোই, কোংগ্রেসনা থেংনগনি : ওক্রম ইবোবী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস): সেন্টর অমদি ষ্টেটতা পাল্লিবা লৈঙাক্না অরানবা পোলিসী প্রোগ্রাম পায়খৎলকপা মতমদা য়েংদুনা লৈবা য়ারোই, কোংগ্রেসনা থেংনবা তাই হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ঙসি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী ১৩৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি কোংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা হান্নগী সী এম অমদি সী এল পি




লিদর মণিপুর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিগী ১৩৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লিবা অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লিরবা পার্টি অসিনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক তৌরকপা মতম শাংলক্লে। সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না অরানবা পোলিসী প্রোগ্রাম পায়খৎলকপদা য়েংদুনা লৈবা য়ারোই। কোংগ্রেস পার্টিনা চপ চানা থেংনবা তাই। দিমোক্রেসিদা ঐখোয়গীসু রাইট লৈ। দিমোক্রেসিগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা তারবদি চপ চানা থেংনবা তাই।

ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক শেমখিবগী মওং অসিসু অঙকপা মওং অমনি। সিঙ্গল লার্জেষ্ট ফংলিবা পার্টিদা ইনভাইট তৌরকখিদে। চৎন-কাঙলোনগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL-P/5531/12/12-13/01

